**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ৭০ শুবা লম্লক্কী শা উচেক ঙাক শেন্নবা চয়োল পালনগা মরী লৈননা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা রেল্লি অমদি অতৈ থৌরম কয়া পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি অয়ুক ককচিং জিলাগী সিংতোম চিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

৩) উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- অৰাং নোংপোক লমদম অসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়ামা মরুওইবা শরুক অমনি।

৪) তেরোরিষ্টশিংদা শেলগী মতেং পীবগা মরী লৈননা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চত্থখ্রে।

অমসুং

৫) মুম্বাইগী দুকানসু ওইবা মীসু লৈনবা মথোল অনিগী য়ুম অমা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মৈ চাকপদা মীওই ৭ শিরে।

------

ৰিক (এল)ঃ ৭০ শুবা লম্লক্কী শা উচেক্কী চয়োল পালনগা মরী লৈননা লম্লক্কী শা-উচেক অমসুং অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্নবগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা সাইকল রেল্লি অমা চৎখ্রে।

রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগকী ৱাইল্ড লাইফ ৱিংনা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগা পুন্না শিন্দুনা চৎখিবা সাইকল রেল্লি অদুদা তোঙান তোঙানবা চহি কাংলুপ অমদি লুপশিংগী মীওই ২১০ হেনবনা শরুক য়াখি।

ইম্ফালগী লুৱাংশংবমদা লৈবা মণিপুর ফোরেষ্ট ত্রেনিং স্কুলদগী রাজ্যগী চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট লোংজম জয়কুমারনা লমথাখিবা রেল্লি অদুনা ইম্ফাল সহরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং ফাওদুনা চৎলবা তুংদা ইম্ফালগী ইরোইশেম্বদা লৈবা মণিপুর জ়লোজিকেল গার্দেনদা লোইশিনখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী জয়কুমারনা হায়- রেল্লি অদু ঐখোয়গী অকোইবগী ফিভম কনবদা শা-উচেকশিংগী মরুওইবদু মীয়ামদা নৌহৌনা নিংশিনবা অমদি ঐখোয় খুদিংমকা মখোয়বু ঙাক শেনবদা চাউনা থৌদাং লৌনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

চহি খুদিংগী ওক্তোবর অনিদগী ৮ ফাওবা চয়োল অমা চুপা পাঙথোকপা পালন থৌরম অসিগী চহি অসিগী হীরমদি-‘মীওইবা অমসুং মহৌশা পুন্না হিংমিন্নদুনা লম্লক্কী শা-উচেকপু য়োকখৎপা’ হায়বসিনি।

থৌরম অসি তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু পাঙথোকখি। থৌবাল জিলাদা ৭০ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক পালনগা মরী লৈননা ঙসি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা লম্লক্কী শা-উচেক কন্ননবা পাউজেল পুবা সাইকল রেল্লি অমা চৎখি। মীওই ১০০ রোমা শরুক য়াখিবা সাইকল রেল্লি অদু ৱাইথৌ চিরুদগী ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্টকী স্পেসিয়েল সেক্রেটরি- আর.কে. আমরজিৎনা লমথাখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অমরজিৎনা হায়- চাওখৎলকপা অমদি মীশিং য়ামখৎলকপগী মতুংইন্না লম্লক্কী শা-উচেকশিংগী লৈফম নোংম নোংমগী মাংশিল্লক্লি। মসিনা ঐখোয়গী অকোইবগী ফিভমদা চাউনা চৈথেং পীরি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন্না শিন্দুনা মহৈরোইশিং য়াওবা মীয়ামগী রেল্লি অমা ঙসি ককচিং বজারদগী ককচিং লমখায়দা লৈবা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিস ফাওবা চৎখ্রে। খোঙচৎ অদুদা লম্লক্কী শা-উচেকশিং কনশি, উপাল ৱাপাল য়োকখৎশি, লম্লক্কী শা উচেকশিং ঐখোয়গী মরুপনি হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজন

অমসুং লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতিনা পুন্না শিন্দুনা রামসর সাইট অমা ওইরিবা লোক্তাক পাৎকী মরুওইবা হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি সেন্দ্রদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ব্রা ঙাংবদা এল.দি.এগী চেয়ারমেন, এম. অশিনিকুমারনা হায়- লোক্তাক পাৎপু মালেমগী ওইনা শিংথানিঙাই ওইবা পাৎ অমগী থাক্তা শেমগৎনবগীদমক্তা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা রাজ্য সরকার অসিনা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি। লোক্তাক পাৎ য়াওনা লৈরিবা পাৎশিং মাংখিদনবা সরকারনা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিং লৌখৎলি।

জোইন্ট কো-ওর্দিনেসন কমিতি ওন ৱাইল্ড লাইফ এন্দ বাইও দাইভর্সিতিনা শিন্দুনা লম্লক্কী শা-উচেক অমদি অকোইবগী ফিভম কনবদা দাইত্ব লৌরিবা মীওইশিংগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি লমফেলগী সুপর মার্কেট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

এরেষ্ট (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ককচিং জিলাগী শুগ্ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সিংতোম চিংদা ঙসি অয়ুক থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউ পল্লদুনা ঐখোয়গী ককচিং পাউমীনা হায়- থিবা হুম্বগী থবক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৬ মিনিট ৩৫ দগীনা তরেৎ মিনিট ৪০ ফাওবা চথখি। মদুদা অঙৌবা মচুগী চেং বেগ অমদা হাপ্লম্বা খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা এস.এম.সি করবাইন অমা, নাইন এম.এমগী পিষ্টোল অমা, থারতি সিক্স ঐচ.ই. গ্রেনেদ অহুম, টিয়ার স্মোগ গ্রেনেদ অহুম, টু ইঞ্চ মোর্টার অমা, দিটোনেটরনচিংবা য়াওরি। মসিগী মতাংদা কেস অমা সুগ্ পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিল্লি।

সোট (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক পেচি চীংলক খোঙনাংখোঙদা শকখঙদবা মীওইশিংনা নহা অমা নোংমৈনা কাপ্লল্লে। ঐখোয়গী থৌবাল

পাউমীনা হায়- ঙসি নুংথিল মরি মিনিট ২০ লোম তাবা মতমদা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক পেচি চীংলক খোঙনাংখোঙদা নহা অদুগী মফৈগন য়েৎ ওই অনিদা নোংমৈনা কাপ্লগা হুনদোক্লম্বনি। নোংমৈ কাপ্লগা হুন্দোলল্লিবা নহা অদুগী মমিং রোমারিও খোইনাইজম কৌই। মহাক ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং ময়াই লৈকাইদগীনি হায়রি। মহাক হৌজিক ইম্ফালগী হোস্পিতাল অমদা লায়েংলি। মহাকপু করি মরমগীদমক কাপ্লল্লিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি।

মেট (এল)ঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- রাজ্য অসিগী জিলা খরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই। ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্তরনা হায়- তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, নোনে, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হয়েং ফাওবদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

ধনখর ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- অৰাং নোংপোক লমদম অসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়ামা মরুওইবা শরুক অমনি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী ধনখরনা হায়- অৰাং নোংপোক রাজ্যশিং অসিগী তোপ তোপ্পা সংস্কৃতি অমদি হৌন-লোনচৎ লৈজবা অমসুং মহৌশাগী ওইবা ফজবনা থল্লবা লৈবাক অসিগী মগুন হাপকৎলিবা লমদম অমনি। মিদিয়াগী মীওইশিংদা অৰাং নোংপোক লমদমগী এম্বেসেদর ওইদুনা লমদম অসিগী তুরিজম অমদি চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবসু মহাকা হায়রি।

কোবিন্দ ঃ লৈবাক অমা মীখল অমা হায়বসিগী মতাংদা শেমখিবা অৰাংবা থাক্কী কমিতিবু লুচিংলিবা হান্নগী রাষ্ট্রপতি রামনাথ কোবিন্দনা হায়রি- মীখল

মতম অমত্তদা পাঙথোকপা অসিনা ভারত্তা চাউনা কান্নবা ফংহনবগা লোয়নননা বিস্মিত ভারতকী মাইকৈদা খুমাং য়াংনা চংশিনহনবা ঙমগনি। মতম অমত্তদা মীখল পাঙথোকপগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা ৩০ শুবা লাল বহাদু শাস্ত্রি মেমোরিয়েল লেকচরদা শ্রী কোবিন্দনা হায়- মীখল মতম অমত্তদা পাঙথোকপা অসিনা হেন্না ফবা লৈঙাক সাসন লৈহনবা, তংদু লৈতাবা লৈহনবা, শেল থুমগী লমদা ফিভম ফগৎহনবা অমসুং মালেমগী লমজেলদা য়াওনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইগনি।

লম (এল)ঃ   নেসনেল হাইৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিতেদকী পি.এম.য়ু তেংনৌপলনা শিন্দুনা নেসনেল হাইৱেগী নাকলদা লম খোপচিনবনা মীয়ামদা থোকহল্লকপা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা থৌবাল জিলাগী কিয়াম সিফাই অমসুং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি সুপ্রিম কোর্টনা চহি অসিগী ওগষ্ট থাদা পিখিবা পাউতাক অমগী মখাদা পাঙথোকপনি।

এৱার্দ (এল)ঃ   বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্কেসন মণিপুরনা লৌবা হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংদুনা পাস তৌরকখ্রবা জেম পাব্লিক স্কুল পৌরাবীগী মহৈরোইশিং ঙসি তরামা ওকখ্রে। থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার খুমন্থেম দাইনা, সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগকী দিরেক্তর ঙাঙোম উতমনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা অহল ওইরবা মীওইশিং অমদি লুখ্রাবীশিংদসু খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মনা (এল)ঃ   মণিপুর সাহিত্য সমিতি থৌবালনা কুমশি চহিগী ওইনা চহি অনি অনিগী ওইনা পীবা সাহিত্যগী মনা ফংগদবা মীওইশিংগী মিং লাউথোক্লে। সমিতিগী চেরোল অমনা হায়- ২০২১ দগী ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা ফোংবা লাইরিকশিংদা পীবা মনা অসি অথুবা মতমদা পাঙথোক্কদবা সমিতিগী থৌরম অমদা অইবা অমদি অইবী ৭ তা পীরগনি।

কার্দ (এল)ঃ বিষ্ণুপুর অমদি চুরাচান্দপুর জিলা অনিগী লোন্নবা মফমদা লৈবা অমদি তোরবুং গ্রাম পঞ্চায়ট লেবেল মল্টিপরপজ কোওপরেতিভ সোসাইতিনা খনগৎলবা লৌমী ১৬ তা মণিপুর ষ্টেট কোওপরেতিভ বেঙ্ক বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চনা কিষান ক্রেদিৎ কার্দ য়েন্থোকখ্রে ।

কম্পিপতিসন (এল)ঃ নিংথৌখোং প্রোতেক্সন কমিতিনা শিন্দুনা রাজ্য থাক্কী দিবেতিং কম্পিপতিসন অমা ঙসি নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর-৬ কী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। কম্পিপতিসন অসি মণিপুরগী অপুনবগী শক্তমদা শিংনরক্লিবসি লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা শেনমিৎলোনগী অচেৎপা মরী লৈরক্তবগীনি হায়বা হিরমদা পাঙথোকপনি।

ৱাকৎ (এল)ঃ ৱাংজিং-লমদিং কৈথেলদা লৈরিবা দুকানশিংদা নমদুনা শেল খায়বা অমদি অকি অখঙ পীবা য়ানিংদে হায়দুনা ঙসি ৱাংজিং-লমদিং সোপ কিপ্পরস দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী মীওইশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে। দুকান ফল্লিবশিংনা নোংমগী শিন্থা লেপ্তুনা খোঙজং অদু চংশিনখিবনি।

উ (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া বেঙ্ক ওফিসারস কনফিদরেসন (আইবোক)না ঙসি ইম্ফালগী এম.জি. এভিন্যুদা লৈবা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী মমাংদা অচৎ অওক তৌরিবশিংদা উ চারাশিং য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অসি আইবোক্কী ৪০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবনি।

এনআইএ ঃ জৈস-ই-মোহামদ চেন্নবা তেরোরিষ্টশিংদা শেলগী মতেং পীবগা মরী লৈননা হৌজিক চথুরিবা থিজিনবগী থবক্কী শরুক অমা ওইনা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্বগী থবক চথখ্রে।

জম্মু কাশ্মীর, মহারাষ্ট্র, উত্তর প্রদেশ, অসাম অমসুং দিল্লি য়াওনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৫ গী তোঙান তোঙানবা মফম ২৬ তা থি হুন্বগী

থবক অদু চথুখিবনি। এন.আই.এনা উত্তর প্রদেশকী মেরঠ অমসুং সহরানপুর, অসামগী গোলপারা, মহারাষ্ট্রগী ঔরঙ্গবাদ, জলনা অমসুং মালেবোন, জম্মু কাশ্মীরগী বরামুল্লাহ, পুলৱামা অমসুং রমবান অমদি দিল্লিদা থি হুম্বগী থবক অদু চথুখি। মদুদা থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈনবা চে চাংশিং, ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলমশিং, পমপ্লেট অমসুং মেগজিন কয়া ফাগৎখি। পোৎলমশিং অদু কুপা য়েংশিল্লি।

মরক অসিদা, দিল্লি পুলিসনা ঙসি উত্তর প্রদেশকী মেরটতা আইন কায়বা মওংদা চাউনা খুৎশু খুৎলায় শাবগী থবক চথুরম্বা ফেক্তরি অমা থুগাইখ্রে। দিল্লি পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চনা কেস অদুগা মরী লৈননা মীওই অনি ফারে অমসুং খুৎলায় ১৬ লোমসু ফাগৎখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি।

মৈ ঃ মহারাষ্ট্রগী মুম্বাই সহরগী চেম্বর এরিয়াদা দুকানসু ওইবা মীসু লৈনবা মথোল অনিগী য়ুম অমা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মৈ চাকপদা অঙাং অহুম য়াওনা ইমুং অমগী মীওই ৭ শিরে, খরনা শোক্লে । য়ুম অদুগী গ্রাউন্দ ফ্লোর অদু ইলেক্ট্রিক সোর্ট সার্কিটতগী মৈ হৌরক্তুনা চাকখিবনি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা পুলিসকী দিপ্যুতি কম্মিসনার- হেমরাজ সিংহ রাজপুটনা হায়- থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথুরি।

মুখ্য মন্ত্রি একনাথ সিন্দেনা থৌদোক থোকফমদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ৫-৫ গী ক্ষেতিপুরন পীরগনি অমসুং থৌদোক্তুনা শোকখিবা মীওই অনিগী লায়েংবদা চংবা শেনফম সরকারনা পুথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। থৌদোক অদুদা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মৈ অদুগী হৌরকফম কুপা থিজিনগনি অমসুং তুংদা অসিগুম্বা থৌদোক থোক্তনবা দরকার লৈবা থবক পায়খৎকনি।

অমরোমদা, রাজ্য অদুগী লাতুরদা লৈবা পুরনমাল লাহোতি গভর্নমেন্ট পোলিটেকিক্কী মহৈরোই ৬০ ঙরাং নুমিদাং মখোয়গী হোষ্টেলদা চাক চাবদা ফুড পোইজনিং ওইবদগী হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবগা লোয়ননা মখোয়না চাখিবা চীঞ্জাকশিং অদু টেষ্ট

তৌনবগীদমক লেবোরেটরিদা থাখ্রে।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- ভারত, ওষ্টেলিয়া, জপান অমসুং আমেরিকাগী ক্বাদ্রিলেটরেল সেক্যুরিতি দাইলোগ (ক্বাদ)কী ইন্নোভেতিভ ফ্রেমৱার্ক অসি ইন্দো-পেসিফিক লমদমগী মরুওইবা থৌওং অমনি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা অহুমসুবা কৌতিলিয়া ইকোনোমিক কনফরেন্সতা মন্ত্রিনা হায়- ক্বাদ অসি য়ান্নচেদা য়ুম্ফম ওইবা ওর্গনাইজেসন অমা নত্তে। মসিদি ইন্দো-পেসিফিক লমদমগী য়ামা মরুওইবা মেকানিজম অমনি। মহাকা হায়- মালেমগী ৱাফম কয়াদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা লৈবাকশিংগা ভারতকা অফবা মরী থমরিবা অসি য়ামা মরুওই। মসিনা মালেমগী রাজনীতিদা দাইত্ব লৈবা লমদম অমা ওইনা উহল্লি। আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা লম অমা ওইরক্লি। মহাকা হৌজিক এ.আইগী লমদা মাংজিল থাবা তান্নরিবা অসিবু কোল্ড ৱারগী মতমগী ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়গী লমজেল অদুগসু চাংদমখি।

কৌতিলিয়া ইকোনোমিক কনফরেন্স অসিনা লৈবাক অসিগী অমদি মালেমগী ওইবা একাদমিসিয়ানশিং অমসুং পোলিসি মেকর ১৫০ রোমদা ভারতনা অমদি মালেম অসিনা শেল থুমগী লমদা মায়োকরিবা মরুওইবা ৱাফমশিংগী মতাংদা খন্ননবগী তাঞ্জা অমা পীরি।

দিআরদিও ঃ দিফেন্স রিছার্স অমসুং দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও)না রাজস্থানগী পোখ্রান ফিল্ড ফয়ারিং রেঞ্জদা অনকপা মফমদা কাপবা ফোরথ জেনেরেসনগী এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমগী ফ্লাইট টেষ্ট অহুম মায় পাকা পাঙথোকখ্রে। চাংয়েংশিং অদু হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা পাঙথোকখিবনি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়- রিছার্স সেন্তর কিমারতনা দি.আর.দি.ওগী লেবোরেটরি অমসুং দিভলপমেন্ট কম প্রদক্সন পার্টনরসকা পুন্না শাবা এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম অদুনা তোঙান তোঙানবা পান্দমফমশিংদা মায় পাকা পালহনবা

ঙম্মী হায়বদু উৎলি। লৈবাক অসিগী সার্ভিস অহুম্মকা প্রোজেক্ট অদু হেক হৌবদগী য়াওদুনা লাকখি অমসুং চাংয়েং অদু পাঙথোকপদসু শরুক য়াখি।

চাংয়েং অদু মায় পাকা পাঙথোকপগীদমক ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা দি.আর.দি.ও, আর্মদ ফোর্সশিং অমসুং মদু শাবদা য়াওখিবা উদ্যোগপু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

কাউন্তিং ঃ জম্মু কাশ্মীর অমসুং হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী ভোৎ লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মশিং থীনবা শেম শারে। ভোৎ মশিং নিংথিনা অমদি অশোই অঙাম য়াওদনা থীবা য়ানবগীদমক কাউন্তিং সেন্তরশিংগী অকোইবদা অকনবা ঙাকশেল থৌরাং লৌখৎলে।

হারিয়ানাদা ঙরাং পাঙথোকখিবা রাজ্য বিধান সভাগী মীখলদা চাদা ৬৭ লোমগী চাংদা ভোৎ থাদনখি। রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার পঙ্কজ আগরৱালনা হায়- ই.ভি.এমশিং হৌজিক মথাং অহুমদা ঙাক শেনদুনা চেকশিন্না থল্লি। ইলেক্ট্রোনিক ভোতিং মেছিনশিং অদু রাজ্য পুলিসখক নত্তনা পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংসু য়াওনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লি।

জম্মু কাশ্মীর বিধান সভা মীখলগী ভোৎনা তাঙ্কক অহুম মমাং থাগী ১৮, ২৫ অমসুং থা অসিগী ১ দা থাদনখিবনি। ভোৎ থাদনখিবগী চাংনা চাদা ৬৩.৮৮ য়ৌখি। জম্মু কাশ্মীরদগী আর্তিকল ৩৭০ লৌথোকখ্রবা মতুংদা হন্দক্কী অসিনা ইহান হানবা বিধান সভা মীখল ওইবনা মীখল অসি য়ামা মরুওইনা লৌনরি।

ভিজিৎ ঃ মোলদ্বিপসকী রাষ্ট্রপতি ডাঃ মোহামদ মুইজ্ নুমিৎ মঙানিগী ভারত খোঙচৎতা ঙসি নিউ দিল্লিদা থুংলরে। মহাকা ঙসি মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করগা উন্নগনি।

ডাঃ মুইজ্‌বু ওকপগী থোরম অমা হয়েং অয়ুক রাষ্ট্রপতি ভবনদা পাঙথোক্কনি। মহাকা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগসু লৈবাক অনিগী, লমদম অশোমগী অমদি মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি। মদুগী তুংদা, য়ান্নচে কয়ামরুমসু সহি তৌনরবা য়াই। মোলদ্বিপসকী রাষ্ট্রপতি অসিনা

হয়েং নুমিদাংৱাইরম রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মনুংদা ডাঃ মুইজ্না আগ্রা, বেঙ্গলুরু অমসুং মুম্বাইদসু চৎকনি।

এয়ার সো ঃ ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা ঙসি চেন্নাইগী মেরিনা বিচতা মেগা এয়ার সো অমা পাঙথোকখ্রে। থা অসিগী ৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এয়ার ফোর্স অসিগী ৯২ শুবা এনিভর্সিরিগী পালন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা এয়ার সো অদু পাঙথোকখিবনি। পুকিং চিংশিন্নিঙাই ওইরবা এয়ার সো অদুদা তেজাস, মিরেজ, সুখোই থার্তি, জাগুর এয়ারক্রাফট য়াওনা ফাইতর জেটশিং উৎখি। সো অদুদা সুরিয়া কিরন এরোবেতিক টিম অমসুং সরং হেলিকোপ্তর দিসপ্লে টিমনসু মখোয়গী ওপরেসনেল কেপেবিলিতিজ কয়া উৎখি।

হোক্কি ঃ মালেসিয়াদা শান্নগদবা শুলতান ওফ জোহর কপ হোক্কীগী ১২ শুবা ইদিসনদা য়াওগদবা শান্নরোই ১৮ গী নুপাগী জ্নিয়র টিম হোক্কি ইন্দিয়ানা ঙসি লাউথোকখ্রে। নৌনা হাপ্পা হেদ কোচ পি.আর. শ্রীজেসনা ভারতকী টিমগী ইনচার্জ ওইগনি। অদুগা অমির আলিনা টিম কেপ্তেন অমসুং রোহিতনা দিপ্যুতি টিম কেপ্তেন ওইগনি। ভারতকী হোক্কি টিমদা মণিপুরগী তেলেম প্রিয়োবর্তা সিংহসু দিফেন্দর ওইনা য়াওরি।

ভারতনা মখোয়গী অহানবা মেটচ থা অসিগী ১৯ দা জপানগা শান্নগনি। অদুগা মথং নুমিৎতনা গ্রেট বৃটেনগা শান্নগনি। থা অসিগী ২২ দা য়ুম্বু মালেসিয়াগা অদুগা মথং নুমিৎতনা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগনি। কপ অসিগী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২৬ তা শান্নগনি।

------